# মোদি অমসুং পুটিননা এসসিও সম্মিটতা রসিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা যুএন অমসুং জি ২০ দা কো ওপরেসন পীনবগী ৱাফম খন্নগনি

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি সেপ্টেম্বর ১৫ অমসুং ১৭ তা যুজবেকিষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এসসিও) সম্মিটতা শরুক য়ারগনি অমসুং মহাক্না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা তোঙান্না উন্নদুনা লৈবাক অনীগী কো ওপরেসনগী মতাংদা খন্নরগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোস্কোদা প্রসিদেন্সিএল এইদ যুরি উসাকোবনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি লুচিংবা অনীনা এসসিও সম্মিট মনুংদা যুএন অমসুং জি ২০ দা রসিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা কো ওপরেসন পীনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সি টাজনা উসাকোবকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা ইন্টরনেসনেল এজেন্দাগী মতাংদসু ৱারী শান্নগনি অমসুং নাকল অনীনা ষ্ট্রেটেজিক ষ্টেবিলিটি, এসিয়া পেসিফিক রিজনগী ফিভম অমসুং যুএন, জি ২০ অমসুং এসসিওগুম্বা মরু ওইবা মল্টিলেটরেল ফোর্মেটশিংগী মনুংদা কো ওপরেসন পীনবগী ৱাফম অসি খন্নগনি। ইন্দিয়ানা এসসিও লিদ তৌবগা লোয়ননা জি ২০ গী ফিভমসু লৌগনি হায়নসু রিপোর্ট খরা পল্লদুনা টাজনা ফোঙদোক্লি।

উসাকোবনা মখা তানা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা দিসেম্বরদা ইন্দিয়ানা যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল প্রিসাইদ তৌবগা লোয়ননা এসসিও লিদ তৌগদৌরিবা অমসুং জি ২০ গী চিয়র লৌগদৌরিবা অসি য়েংদুনা ওইরক্লিবা খোঙথাং অসি মরু ওই হায়না লৌগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিনদা নত্তনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগসু উন্নগনি। সোর্সশিংগী মতুং ইন্না, সমরকনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসসিও সম্মিটকী নাকোয়ননা পিএম মোদিনা পুটিন অমসুং যুজবেকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট সাফকাদ মির্জিয়োয়েবকা বাই লেটরেল মীফমসু পাঙথোক্কনি।

পিএম মোদিনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিন অমসুং যুজবেকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মির্জি'য়োয়েবগা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবদু চপ চানা লেপ্লে অমসুং মীফমশিং অদু সমরকনগী এসসিও সম্মিটকী নাকোয়ননা পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

যুজবেকিষ্টানগী সমরকনদা সেপ্টেম্বর ১৪ দগী হৌগদৌরিবা সম্মিট অদুদা মোদিনা অতৈ বাই লেটরেল মীটিংশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

যুজবেকিষ্টানদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর মনিস পর্বটনা মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লুচিংবা কয়াগা বাই লেটরেল মীফম কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

এম্বেসেদর পর্বটনা এক্সক্লুসিব ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, মদুদি কোভিদ পেন্দামিক্কা মরম ওইদুনা এসসিও মেম্বর লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা চহী অনীগী মতুংদা সম্মিট অদু পাঙথোক্লিবনি। এসসিও সম্মিট অদুগী নাকোয়ননা বাই লেটরেল মীটিং খরসু শোয়দনা পাঙথোক্লগনি।

পুম্নমক অসি ওইদুনসু মীটিংশিং অদুগী প্রোগ্রাম মতম চানা ফাইনেলাইজ তৌরগনি। এসসিও লৈবাকশিংগী মরক্তা ইকনোমিক কো ওপরেসন অসি মরু ওইবা ৱাফম্নি। মসি সম্মিট অদুদা কুপ্না খন্নগনি। ঐখোয়না সেন্ট্রেল এসিয়াগী লুচিংবশিংগা উন্নবা মতমদা ইন্দিয়া অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং অতৈ একচেঞ্জশিং প্রমোট তৌহনগদৌরিবা কন্নেক্টিভিটিগী ৱাফম অসি খন্নগনি হায়না প্রবটনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

যুজবেকিষ্টাননা এসসিও ২০২২ গী চিয়রনি অমসুং ইন্দিয়ানা এসসিওগী মথংগী চিয়র ওইরগনি।



# সি জিনপিং অমসুং ব্লাদিমির পুটিননা যুক্রেনগী লানগী মতাংদা খন্নরগনি

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): চাইনাগী লুচিংবা সি জিনপিং অমসুং রসিয়াগী লুচিংবা ব্লাদিমির পুটিননা চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা উন্নবদা যুক্রেনগী লান অমসুং অতৈ ইন্টরনেসনেল অমসুং রিজনেল টোপিকশিং খন্নরগনি হায়না ক্রেমলিননা ফোঙদোরক্লি।

ক্রেমলিননা হায়রি, মদুদি লুচিংবা অনীনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা অল্টরনেটিব অমা উৎকদৌরিবা যুজবেকিষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অমদা উন্নরগনি। পেন্দামিক হৌখিবদগী চাইনিজ লিদর সি জিনপিংনা মপানদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকপসি মসিনা অহানবা ওইগদৌরিবনি।

পুটিন অমসুং নোংচুপলোমগী মরী কা হেন্না শোকচিল্লকুবা মতম অসিদা সি জিনপিংনা রেকোর্দ ওইরগদবা মওংদা অহুমশুবা টার্ম অমা পায়ননবা হোৎনরিবনি। সি জিনপিংগী নুমিৎ হুম্নিগী কাজাকস্টান খোঙচৎ হৌখ্রে। মহাক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খোঙচৎ অদুগী অহানবা খোঙদাফম ওইনা কেপিটেল নুরসুলটানদা থুংখি।

মহাক্না শগোলশেল নুমিত্তা যুজবেকিষ্টানগী সমরকনদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এসসিও) সম্মিটতা পুটিনগা উন্নগনি। রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিননা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংগসু উন্নগদবা ওইরবসু মহাক্না চাইনাগী লুচিংবা সি জিনপিংগা উন্নগদৌরিবসি য়াম্না মরু ওই হায়না ক্রেমলিনগী ফোরেন পোলিসি স্পোক্সমেন যুরি উসাকোবনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি সম্মিট অদু পোলিটিকেলগী অহোংবা কয়া চাওনা লাক্লিঙৈগী মরক্তা পাঙথোক্লিবনি। চাইনা অমসুং রসিয়ানা কুমজা ২০০১ দা হান্নগী সোভিএট সেন্ট্রেল এসিয়ন নেসন মরীগা লোয়ননা হৌদোকখিবা এসসিওগী পোজিসন ওইনা মসিবু নোংচুপলোমগী মলটিলেটরেল গ্রুপশিংগী ওল্টরনেটিব অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবনি।

অমরোমদা, এসসিওগী মীফম অসি মেম্বর লৈবাক অনী হায়বদি কির্গিষ্টান অমসুং টাজিকিষ্টানগী বোর্দরদা ইনৌ নৌনা খুৎ থোক্ক রক্লিঙৈ মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

রিপোর্টশিংনা হায়রি, মদুদি খুৎ থোক্লবা অদুদা য়ামদ্রবদা বোর্দর গার্ড অমা শিখ্রে অমসুং নেসনেলিটিশিং মশক খঙদবা মীওই অমনা অশোক অপন নঙখ্রে। ঈশিংগী মতাংদা য়েংনবা অমসুং অতৈ ইস্যুশিংগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌখিবা চহীদগী মরক মরক্তা খুৎ থোক্লদুনা লাকখি।



# টাইফুন মুইফা নকশিল্লকপদগী সাংহাইনা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স অপগ্রেদ তৌখ্রে

সাংহাই, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): চহী অসিগী ১২শুবা টাইফুন ওইরিবা টাইফুন মুইফা নকশিল্লকপগা লোয়ননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সাংহাইনা ঙসিগী টাইফুন ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা লেভেল থ্রীদা অপগ্রেদ তৌখ্রে।

সাংহাইদা লৈবা ফ্লদ কন্ট্রোল ওফিসকী মতুং ইন্না ম্যুনিসিপাল ফ্লদ কন্ট্রোল অমসুং টাইফুন অমসুং দ্রাউট রিলিফ হেদ ক্বার্টর্সনা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তা রেস্পোন্স হেনগৎহনখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি য়ুমশকৈশগী অয়ুক ফাওবদা জ হাজ ১৯০০ হেন্না পোর্টতা হল্লকখি অমসুং টাইফুন অদুগী য়েংদুনা টুরিষ্ট এট্রেক্সন অনী অমসুং পার্ক অনী মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে। সাংহাইনা টাইফুন মুইফাগীদমক্তা শেম শারকপগা লোয়ননা সিটি অসিনা পর্সনেলশিংদা দাইটশিং, কন্সট্রক্সন সাইটশিং অমসুং অতৈ মফমশিং য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে।

চাইনাগী জেজিয়াং প্রোভিন্সতা লোকেল ফ্লদ কন্ট্রোল অমসুং টাইফুন অমসুং দ্রাউট রিলিফ হেদ ক্বার্টর্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল হায়বদি লেভেল ৱানদা অপগ্রেদ তৌখি। লৈবাকপোকপগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা পুন্না ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি ১১,৬৮০ পোর্টতা হল্লকখি। য়ুমশকৈশগী অয়ুক ফাওবদা মীওই ৭১৯,৮০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি। য়ুমশকৈশগী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা টাইফুন মুইফা অসি জেজিয়াং প্রোভিন্সকী সিয়াংসান কাউন্টিগী খা নোংপোকলোমদা কিমি ১৮৫ লাপ্পা সমুদ্রগী মথক্তা উবা ফঙখি। চাইনাগী নেসনেল মেটরিওরোলোজিকেল সেন্টরগী মতুং ইন্না টাইফুন অসি পুংদা কিমি ২০ দগী ২৫ ফাওবগী খোঙজেলদা অৱাং নোংচুপ পাঙনা শীৎচিল্লক্কনি।

টাইফুন অসি অহানবদা খরা থেংজিল্লকপা অহিংগী মতমদা সানমেন কাউন্টি অমসুং জৌসানগী মরক্তা লৈরিবা সমুদ্র মপানগী এরিয়াশিংদা ফুজিল্লক্কনি। মদুগী মতুং অনীরকশুবা ওইনা টাইফুন অসি য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা জেজিয়াংগী জিসিং সিটি অমসুং সাইহাংগী উদোং দিষ্ট্রিক্টকী মরক্তা লৈরিবা সমুদ্র মপানগী মফমশিংদা ফুজিল্লক্কনি হায়না সেন্টর অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# চাক্তাংবগী ফিভম মায়োক্লরক্কদৌরিবা সোমালি মিলিয়ন ২.৫ কীদমক্তা আই ও এমনা দোল্লর মিলিয়ন ৫০ গী মতেং পাম্লি

মোগাদিসু, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০২৩ লোইবা ফাওবগী মনুংদা ঈকংনা শোকহল্লবা সোমালিয়াগী মীওই মিলিয়ন ২.৫ তা মতেং পীনবগীদমক দোল্লর মিলিয়ন ৫০ হেন্না মথৌ তাগনি হায়না যুএন মাইগ্রেসন এজেন্সি, ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আইওএম) না ফোঙদোকখ্রে।

সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসু অমসুং বাইদুৱাদা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আই ও এমগী দিপ্যুটি দিরেক্তর জেনরেল অমিপোবনা হায়খি, মদুদি সোমালিয়াগী ক্রাইসিস হেন্না লুশিল্লক্লি। মঙাশুবা নোং-জুগী সিজনসু ফেল ওইবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। হিংননবগীদমক্তা মতেং কয়া পীবিবা মথৌ তারিবা কম্যুনিটিশিংগীদমক্তা অমদি শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংদা শীজিন্ননবা হ্যুমেনিটরিয়ন এক্তরশিংনা অহেনবা রিছোর্সশিং শীজিন্নবা পাম্মী।

মোগাদিসুদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা পোপনা মখা তানা হায়খি, মদুদি শাথিরবা ফিভমগী ঈকং অমা ফিভম অমা মায়োক্লরক্লিবা সোমালিয়াগীদমক্তা মালেম পুম্বনা মীৎয়েং চঙবীবা অমদি সপোর্ট পীবিবা মথৌ তাই।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐহাক্না উন্নখিবা কম্যুনিটিশিং ক্লাইমেট চেঞ্জনা চৈথেং চাওনা পীরবশিংনি। তৌইগুম্বসুং সোমালিয়ানা গ্লোবেল ইম্মিসনদা কন্ট্রিব্যুট তৌবগী চাংদি য়াম্না নেম্মী। লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন কয়া ঈশিং অমসুং চিঞ্জাক মতিক চানা লৈতে। মীওই লিশিং চা কয়া চাবা অমদি থকপা ফঙদবগী শিবা য়াই।

পোপকী মতুং ইন্না সোমালিয়নশিংনা লিশাং শিৎনা কাংখোং চাইবা, শেল থুমগী ক্রাইসিস অমদি লায়না তিলনাশিং মায়োক্লরকপগী মথক্তা ক্লাইমেট ইমর্জেন্সিগী শাথিরবা ফিভমশিংসু মায়োক্লরিবা মরু ওইনা লৈবাক অসিগী রুরেল কম্যুনিটিশিংগী য়েংলগা হৌজিক মালেম পুম্বনা মীৎয়েং চঙবগী মতম লৈশিল্লক্রে।

লৈবাক অসিগী অৱাবা নঙলবা মীয়ামগীদমক্তা য়াম্না থুনা মতেং পীনদ্রবদি ওক্তোবর ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মফম খরদা চাক্তাংবা শোয়দনা থোক্লক্লগনি হায়না সোমালিয়া ফুদ সেক্যুরিটি এন্দ ন্যুট্রিসন এনালাইসিসনা হায়রি।

লৈবাক অসিনা মায়োক্লরক্লিবা ঈকংনা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না ঈশিং, চানবা পোৎলমশিং অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন সার্ভিসশিং থিনবগীদমক্তা ময়ুম মকৈশিং থাদোক্লখ্রে হায়না যুএননা হায়রি।

আইওএমগী মতুং ইন্না ঈকংনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওইশিং অদুগী চাদা ৮০ হেনবদি নুপী, অঙাং অমসুং অহল ওইরবশিংনি। মখোয় অয়াম্বা কা হেন্না থাপ্লা চৎপদা খুদোংচাদবদগী সপোর্ট সার্ভিসশিং শোন্থরকপগা লোয়ননা সেনিটেসনগী ফিভম ফত্তবা টাউনশিং অমসুং সিটিশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

সোমালিয়াদা মমাঙদা চাক্তাংবা থোকখিবদু চহী ১০ খরা হেনবগী মমাঙ ২০১১ দনি। মদুদা মীওই ২৫০,০০০ শিখি।

আইওএমনা হায়রি, মদুদি হৌজিক ঈকং থোক্লিবা অদুনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা অঙাং ৭৫০ গী পুন্সি লোমখ্রে। তৌইগুম্বসুং অশেংবা চপ চাবা মশিংদি মসিদগীসু হেল্লম্বা য়াই। মীওই মিলিয়ন ৭.৮ না চিঞ্জাক ফঙদবগী ফিভম কা হেন্না মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।



# ট্রম্পনা অরুবা গভর্ণমেন্ট রেকোর্দশিং থমজিল্লিব্রা হায়বা খঙদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌজিকসু অরুবা গভর্ণমেন্ট রেকোর্দশিং থমজিল্লিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা যুএস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব কম্মিটি অমগী চিয়রনা নেসনেল আর্কাইবস এন্দ রেকোর্দস এদমিনিষ্ট্রেসন (এনএআরএ) দা খঙহনখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হাউস ওভরসাইট কম্মিটিগী চিয়ারপার্সন কেরোলিন মেলোনিনা যুএসকী এক্তিং আর্কিবিষ্ট দেব্রা ষ্টিদেল ৱালদা লেট্টর অমা থাদুনা অরুবা প্রসিদেন্সিএল রেকোর্দ খরা মখা তানা ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী কন্ট্রোল অমসুং কষ্টদিগী ৱাংমদা লৈরম্বা য়াই হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্ককী দিমোক্রেট অমা ওইরিবা মেলোনিনা হায়খি, মদুদি ট্রম্পনা মখা তানা মার-এ-লাগো নত্তগা মহাক্কী অতৈ প্রোপর্টিশিংদা গভর্ণমেন্টগী অরুবা রেকোর্দ কয়া থমজিল্লম্বা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম অমা লৈরিবসি য়েংলগা ঐহাক্না এন এ আর এদা দোনাল্ড ট্রম্পদগী মহাক্না ওফিস থাদোক্লবা মতুংদা হ্বাইট হাউসতগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা লৌথোকখিবা প্রসিদেন্সিএল রেকোর্দ পুম্নমক সরেন্দর তৌখ্রে হায়বগী পর্সনেল সার্টিফিকেসন অমা লৌননবা তকশিল্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (দিওজে) না ট্রম্পনা প্রসিদেন্সিএল অমসুং গভর্ণমেন্ট রেকোর্দশিং ওফিস পায়রিঙৈদা অমদি ওফিস থাদোক্লবা মতুংদা মিসহেন্দল তৌখিব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিল্লিবনি।

রেকোর্দশিংদুগী মনুংদা খরদি অৱাংবা থাক্কী ক্লাসিফাইদ দোক্যুমেন্টশিংনি হায়না ফোঙদোক্লবা লৈখ্রবনি।



# থাই আর্মি কোলেজতা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অনী শিরে

বেঙ্কোক, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বেঙ্কোক্তা লৈবা থাই আর্মি কোলেজ অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরক্লি।

আর্মিগী দিপ্যুটি স্পোক্স পার্সন শ্রীচান ঙাথোংগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, রোয়েল থাই আর্মি ৱার কোলেজদা ষ্টাফ ৱার্কর অমা ওইনা লৈবা মশাগী চহী ৫৯ শুরবা গনমেন অদুনা অয়ুক পুং ৮.৫৫ রোম তাবা মতমদা মহাক্কী কোলিগশিংদা নোংমৈনা কাপখি।

এটেক্কর অদু পুলিসতা সরেন্দর তৌরবা মতুংদা ফাজিনখি। মহাক্না করিগীদমক্তা মহাক্কী কোলেজশিংদা নোংমৈ কাপখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। স্পোক্স পার্সন অসিগী মতুং ইন্না অশোকপা মীওই অদু হোস্পিটলাইজ তৌরি অমসুং আর্মিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা স্পিসল টিম অমা শেল্লগনি।

হৌখিবা চহীদা সার্ভিসতা লৈরিবা লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মী শিখিবগী কেস অনীসু লৈখ্রবনি হায়না বেঙ্কোক পোষ্টকী রিপোর্টনা হায়রি। মমাঙগী চহী খরগী মতমদা লৈবাক অসিদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা কুমজা ২০২০ দা লান্মী অমনা মথোঙ মরম খঙদনা কোইচৎ চৎতুনা অউবশিংদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক্তা মীওই ২৯ শিখি অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক অপন নঙখি। লান্মী অদুবুসু কম্মান্দোশিংনা কাপ্তুনা হাৎখি।

# য়ুনিভর্সিটিদা পেকেজ অমা পোকখায়রকপদগী মীওই ১ শোক্লে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): যুএসকী বোষ্টোনদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী বিল্ডিং অমদা দেলিভর তৌখিবা পেকেজ অমা হাংদোক্লুবা মতমদা পোকখায়রকপদগী য়ুনিভর্সিটি অদুগী ষ্টাফ মেম্বর অমা অশোক অপন নঙখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অদুগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরকখি মদুদি পেকেজ হাংদোক্লুবা মতমদা পোকখায়রকপদগী ষ্টাফ মেম্বর অদুদা মাইনর ইঞ্জুরি থোক্তুনা ট্রিটমেন্ট চঙখরি।

বোষ্টোন পুলিসনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি অশোকপা অদু চহী ৪০ খরা হেল্লবা মীওইনি। নুমিদাং পুং ৭.১৮ রোম তাবা মতমদা মফম অদুদা ওফিসারশিং কৌরকখি। পুলিসকী মতুং ইন্না অনীশুবা পেকেজ অমসু থেংনখি অমসুং মদু বোম স্কৱাদনা রিকোভর তৌখি। ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী বোষ্টোন দিভিজননা লোকেল লো এনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিশিংগা কো ওর্দিনেট তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চঙথবা হৌখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা অতৈ কোলেজশিংনা মহৈরোয়শিংদা ৱার্নিং পীরদুনা চিংননিংঙাই ওইবা পোৎশকশিং থেংনরবদি রিপোর্ট তৌরনবা খঙহনখি।

# আর্মি চেক পোষ্টতা কাপ্পবদা ইজরেল্লি ওফিসার ১ অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ২ শিখ্রে

রমালা, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশ নুমিত্তা আর্মিগী চেক পোষ্ট অমদা নোংমৈ কাপ্পবদা ইজরেল্লি আর্মি ওফিসার অমা অমসুং পলেষ্টিনিয়ন অনী শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমনা ইজরেল্লি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, অৱাং থংবা ৱেষ্ট বেঙ্কগী সিটি জেনিনগা নক্লবা চেক পোইন্ট অমা তম্না খুৎলায় পায়বা পলেষ্টিনিয়ন অনী লাক্লে হায়বসি ট্রুপশিংনা মীওইশিং অদুবু উবদগী খঙবা ঙমখি। লান্মীশিংনা মখোয়বু ফাননবা হোৎনরুবা মতমদা পলেষ্টিনিয়নশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্লকখি অমদি মদুদা ইজরেল্লি আর্মি ওফিসার অদু শিখি। পলেষ্টিনিয়নশিং অদুবুসু লান্মীশিংনা কাপ্পদা শিখি।

চৈরকসিদা মশক মমিং খঙদবা পলেষ্টিনিয়ন নুপা অনী ইজরেল্লি আর্মিনা কাপ্পদা শিখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

জেনিনদা লোকেল সোর্সশিংনা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি আর্মিনা নুপা অনীগী হকচাং অনী রিকোভর তৌখি। মখোয়গী মনুংদা অমদি পলেষ্টিনিয়ন সেক্যুরিটি কাঙবুগী মেম্বরনি। ভাইওলেন্স অদু ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা পরিং নাইনা চথরকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। হৌখিবা মার্চতগী ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা নুমিদাং অথেংবদা তোইনা ফা পুনবগী ওপরেসন চথরকখিবগা লোয়ননা পলেষ্টিনিয়নশিংগা মখোয়গা অয়াম্বা মতমদা খুৎ থোক্লরকখি।

নাকল অনী খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অদুদা পলেষ্টিনিয়ন কয়া শিখ্রবনি অমদি অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙখ্রবনি।



# কুমজা ২০১৪ দগী রসিয়ানা পোলিটিসিয়নশিংদা ইথিল পীবদা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ হেন্না চাদিং তৌখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): লৈবাক ২৪ হেনবদা পোলিটি-সিয়ানশিংবু ইথিল পীনবা হোৎনবদা রসিয়ানা কুমজা ২০১৪ দগী দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ হেন্না লোন্না চাদিং তৌখ্রে হায়না যুএসনা মরাল শীখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটনা শীরিবা মরাল অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা ডিক্লাসিফাইদ ইন্টলিজেন্স এসেসমেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইবনি।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসল অমগী মতুং ইন্না মসি রসিয়ানা হায়রিবা মতম অসিদা চাদিং তৌখিবনি হায়রিবা শেনফম অসি ঐখোয়না খঙবা ঙল্লিবা খরখক্লি। ফোন ব্রিফিং অমদা ওফিসল অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ফন্দশিং অসি য়ামদ্রবা মশিংনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না দিটেক তৌবা ঙমখিদবা কেস খরদা রসিয়ানা অহেনবা ফন্দশিং লোন্না ট্রান্সফর তৌরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ।

কেবল অমদা রিলিজ তৌখিবা ইন্টলিজেন্স এসেসমেন্ট অদুদা রসিয়ানা টার্গেট তৌখি হায়বগী থাজবা লৈবা অকক্লবা লৈবাকশিং নত্তগা ওফিসলশিংগী মমিংশিংদি পনখিদে। তৌইগুম্বসুং লৈবাকশিং অমদি ওফিসলশিং অদু কন্টিনেন্ট মরিগীনি হায়না এসেসমেন্ট অদুদা পনখি।

এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসর অদুনা হায়রি, মদুদি ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিনা হৌজিক রসিয়াগী অরোনবা ফাইনান্সশিং অদুগী মতাংদা অকক্লবা লৈবাক খরা তুমিন্না ব্রিফিং তৌরি। ব্রিফিংশিং অদু কনফিদেন্সিএল ওইনা লৈগনি। এসেসমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না যুরোপিয়ন পার্টিশিং ফন্দিং তৌবদা শেমজিন শাজিনবা কম্পেনিশিং শীজিন্নখি।

# পেরিসকী মেয়রনা ইনর্জি সেভিং প্লান লাউথোকখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ইনর্জি সেভ তৌনবগীদমক্তা সেপ্টেম্বর ২৩ দগী হৌরগা নুমিদাং পুং ১০ দা ম্যুনিসিপাল ইষ্টাব্লিসমেন্ট পুম্নমক্লা মৈ মুথৎকনি হায়না পেরিসকী মেয়র এন্নি হিদালগোনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিনা হিদালগোগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, থৌরাং অদু ম্যুনিসিপাল ম্যুজিয়মশিং, পেরিসকী এরোদিসমেন খুদিংমক্কী টাউনহোলশিং য়াওনা পব্লিক বিল্ডিং পুম্নমক অমদি ইফেল টৱারগুম্বা টুরিষ্ট এট্রেক্সনশিংদা চৎনগনি।

মেয়র অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পেরিস সিটিনা চল্লাইরিবা বিল্ডিং পুম্নমক্তা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ১৯ দগী ১৮ দা হন্থহনগদবনি অমসুং অহিং অমদি নুমিদাংগী মতমদনা সেলসিয়স দিগ্রি ১২ দা লৈহনগদবনি।

থৌরাংশিং অসিনা নর্সিং হোমশিং অমদি কিন্দরকার্টেনশিংদি কোনশিল্লোই। সিটি অসিগী স্বিমিং পুল ৪০ গী ঈশিংগী টেম্পরেচরসু সেলসিয়স দিগ্রি ১ হন্থগদবনি হায়রি।


College of Agriculture
Central Agricultural University,
Iroishemba, Imphal, 795004

No.COA/CAU/DBT/331/2022/PRT-1 Dated: 14/9/2022

**ADVERTISEMENT**

Eligible candidates are invited to attend the "**Walk in interview**" for filling up the post of Junior Research Fellow under the DBT funded project entitled "**Incorporation of crt RBI allele into sweetcorn inbreds and North Eastern land races for development of bio-fortified sweet corn**" on contractual basis for three years to be carried out at the Department of Genetics and Plant Breeding, College of Agriculture, Iroishemba, Central Agricultural University, Imphal, Manipur. **Venue:** Dean's Office, College of Agriculture, Iroishemba, CAU, Imphal. **Date of Walk in interview**: 29/9/2022 (10:00 am onwards)

| S.N. | Name of the post | Emoluments (per month) | No. of post | Eligibility |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Junior Research Fellow | Rs 31,000 + HRA for 1st Two years and Rs 35,000 +HRA for 3rd year | 1(one) | **Essential Qualification:** i) Post graduation in Genetics and Plant Breeding ii) Qualified National eligibility Test (NET) or equivalent examination **Desirable:** i) Working experience in plant molecular biology |

**Terms & conditions:**

1. The position is purely temporary, contractual and co-terminus with the project without any provision for regularisation & may be terminated at any time.
2. The Dean reserves the right to cancel/ postpone the interview without giving any reason thereof.
3. The Dean also reserves the right to terminate the contract of the job, even before completion of the project for which no appeal thereof shall be made.
4. The candidates should bring Original filled in application and biodata in plain paper along with 2 passport size photographs, original certificate regarding qualifications, experience and attested photocopies of the certificates.
5. No TA/DA will be paid to the candidates appearing for the walk-in- interview.
6. Canvassing in any form will disqualify the candidate.

**Sd/- Prof. Indira Sarangthem**
Dean, COA, CAU,
Iroishemba, Imphal

HL/B/7829/15